# ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পি হরিকৃষ্ণনা শেনঝেন চেছ মাষ্টরদা শান্নরোই অনিগা লোয়ননা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি




*শেনঝেন চেছ মাষ্টরস টুর্নামেন্ট ২০১৭ দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্দালিয়া হরিকৃষ্ণনা (ওই)*

*শেনঝেন, মার্চ ২৯ঃ* চাইনাগী শেনঝেন প্রোভিন্সগী লোঙান দিষ্ট্রিক্টতা থা অসিগী ২৩ দগী শান্নবা হৌরকখিবা য়ু এস এ দোল্লর ৯০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা শেনঝেন চেছ মাষ্টরস টুর্নামেন্ট ২০১৭ দা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেনালিয়া হরিকৃষ্ণনা অতোপ্পা শান্নরোই অনীগা লোয়ননা মরিশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

শান্নরোই ৬ গী দবলস রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অসি এপ্রিল ২ ফাওবা চত্থগদৌরি। য়ুম্থু চাইনাগী শান্নরোই অনী দিং লিরেন, য়ু য়াংগি, নেদরলেন্সকী অনিসগিরি, রুসিয়াগী পিটর স্বিদলর অমসুং গ্রেট বৃটেনগী মাইকেল অদামসনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইগদৌরিবা গ্রান্দমাষ্টর অদুনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ২০,০০০ ফঙগদৌরি।

ঙসি রাউন্দ ৬ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর হরিকৃষ্ণনা পোইন্ট ২.৫ ফঙদুনা অতোপ্পা শান্নরোই অনীগা লৈমিন্নরি।

ঙসি ৬ শুবা রাউন্দদা রুসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পিটর স্বিদলরগী মখুৎতা হরিকৃষ্ণনা অমুবা মচু পায়দুনা শান্নবদা মায়থিখিবনি। পনবা অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ঙসি লম্বা তৌন্নখিবা রুসিয়াগী স্বিদলরগা শান্নবদা অঙৌবা মচু পায়রগা থেংনবদা দ্রো চৎখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী হরিকৃষ্ণনানা ইংলেন্দগী গ্রান্দমাষ্টর মাইকেল অদামসপু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ১ ফঙখি।

অহুমশুবা রাউন্দদা হরিকৃষ্ণনানা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিগা শান্নবদা অঙৌবা মচু পায়খ্রবসু মায়থিবা নংখি।

মরিশুবা রাউন্দদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর লিরেন দিংগা শান্নবদা অমুবা মচু পায়রগা শান্নবদা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট য়েন্নখি।

মঙাশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা শান্নরোই য়াংগি য়ুগা লম্বা তৌনবদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২.৫ ফঙদুনা লৈখিবনি।

অদুগা ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দ অদুদা করিগুম্বা মায় পাক্লম্ল বদি হরিকৃষ্ণনা পোইন্ট ৩.৫ ফঙলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরমগদবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৬ শুবা রাউন্দগী গেম অমদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর অনীগী লম্বাদা লিরেন দিংনা য়াংগি য়ু বু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা লিরেন দিং না রাউন্দ ৬ লোইশিল্লকপা পোইন্ট ৪ ফঙলগা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরি অমসুং ইংলেন্দগী মাইকেল অদামসকী গেম অদু দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট য়েন্নখি।

অনিস গিরিনা রাউন্দ ৬ তা পোইন্ট ৩.৫ ফঙলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা রুসিয়াগী পিটর স্বিদলরনা পোইন্ট ৩ ফঙলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

চাইনাগী য়াংগি য়ু, ইন্দিয়াগী হরিকৃষ্ণনা অমসুং ইংলেন্দগী মাইকেল অদামস পোইন্ট ২.৫ ফঙমিন্নরগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

য়ুনাইটেদ অরব ইমরেতকী সহর সরজাদা পাঙথোক্লিবা সরজা মাষ্টরস চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা ৭ শুবা রাউন্দ ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বি অদিবন, চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর হাওব্রানগী মখুৎতা মায়থিদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা পোইন্ট ৫ ফঙলগা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২৩ দগী হৌরগা ৩১ ফাওবা চত্থগদৌরিবনি।

স্বিস ওপনগী ফোর্মেটতা শান্নরোই ২৫০ না শরুক য়ারি। মদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৯০ হেনবনা শরুক য়ারি । পোইন্ট টেবলদা কজাক্সটানগী শান্নরোই মার্টিন ক্রপসিক অমসুং চাইনাগী হাও ব্রাংনা রাউন্দ ৭ কী মনুংদা পোইন্ট ৬ ফঙমিন্নদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই এস পি সেথুরমন ৭ শুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই এল ফ্রেজিনেগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫.৫ ফঙলগা অহুমশুবা পোজিসনদা অতোপ্পা শান্নরোই কয়াগা পুন্না লৈমিন্নরি।

# ১৬ শুবা গভর্নর্স ট্রোফি কেস প্রাইজ টেন্নিস টুর্নামেন্ট হৌরগনি

*ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ* মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মথং থাগী ৫ দগী ৯ ফাওবা লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসার ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা ১৬ শুবা গভর্নর্স ট্রোফি কেস প্রাইজ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৭ হৌরগনি হায়না মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসি কাংলুপ ৩ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অহানবদা চহি ১০ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী সিঙ্গলস, অনীশুবদা চহি ১২ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা সিঙ্গলস অমসুং অহুমশুবদা চহি ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা গী সিঙ্গলস কাংলুপনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওনিংবা শান্নরোইশিং লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিদা এফিলিয়েট তৌরবা ক্লবশিং / এসোসিয়েসনশিং অমদি শান্নরোইশিংনা এপ্রিল ৩ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

# হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ* মণিপুর অর্চরি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা বি কে শর্ম্মনা কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রামগীদমক শরুক য়ানবা খল্লকপদা এসোসিয়েসন অসিনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর অর্চরি এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জি এ ইবোপিশক শর্ম্মনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না বি কে শর্ম্ম হৌজিক হৌজিক মণিপুর অর্চরি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা জেইন্ট দাইরেক্টর কম ও এস টি ওইরিবনি।

কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অসি অরবান মোবিলিটি প্লানিং দা লুচিংবা অমা ওইবগী কেপাবিলিটি অদু হেনগৎনবগী পান্দমদা দুবাইগী রোদস এন্দ ট্রান্সপোর্টস ওথোরিটি, পি পি আই এ এফ, ওষ্ট্রেলিয়ান গভর্নামেন্ট অমসুং ই এস পি এফ এ গী মতেংগা লোয়ননা ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং য়ু আইটিপি এমইএনএ সিটিই না শীন্বনি।




## আই পি এল সিজন নাইনগী শান্নগদবা মেটচশিংগী অকুপ্পা সেদ্যুল

| Date | Match | Venue | Time |
|---|---|---|---|
| Apr 9 | Mumbai Indians v Rising Pune Supergiants | Mumbai | 2000 IST |
| Apr 10 | Kolkata Knight Riders v Delhi Daredevils | Kolkata | 2000 IST |
| Apr 11 | Kings XI Punjab v Gujarat Lions | Mohali | 2000 IST |
| Apr 12 | Royal Challengers Bangalore vSunrisers Hyderabad | Bengaluru | 2000 IST |
| Apr 13 | Kolkata Knight Riders v Mumbai Indians | Kolkata | 2000 IST |
| Apr 14 | Gujarat Lions v Rising Pune Supergiants | Rajkot | 2000 IST |
| Apr 15 | Delhi Daredevils v Kings XI Punjab | Delhi | 2000 IST |
| Apr 16 | Sunrisers Hyderabad v Kolkata Knight Riders | Hyderabad | 1600 IST |
| Apr 16 | Mumbai Indians v Gujarat Lions | Mumbai | 2000 IST |
| Apr 17 | Kings XI Punjab v Rising Pune Supergiants | Mohali | 1600 IST |
| Apr 17 | Royal Challengers Bangalore v Delhi Daredevils | Bengaluru | 2000 IST |
| Apr 18 | Sunrisers Hyderabad v Mumbai Indians | Hyderabad | 2000 IST |
| Apr 19 | Kings XI Punjab v Kolkata Knight Riders | Mohali | 2000 IST |
| Apr 20 | Mumbai Indians v Royal Challengers Bangalore | Mumbai | 2000 IST |
| Apr 21 | Gujarat Lions v Sunrisers Hyderabad | Rajkot | 2000 IST |
| Apr 22 | Rising Pune Supergiants v Royal Challengers Bangalore | Pune | 2000 IST |
| Apr 23 | Delhi Daredevils v Mumbai Indians | Delhi | 1600 IST |
| Apr 23 | Sunrisers Hyderabad v Kings XI Punjab | Hyderabad | 2000 IST |
| Apr 24 | Gujarat Lions v Royal Challengers Bangalore | Rajkot | 1600 IST |
| Apr 24 | Rising Pune Supergiants v Kolkata Knight Riders | Pune | 2000 IST |
| Apr 25 | Kings XI Punjab v Mumbai Indians | Mohali | 2000 IST |
| Apr 26 | Sunrisers Hyderabad vRising Pune Supergiants | Hyderabad | 2000 IST |
| Apr 27 | Delhi Daredevils v Gujarat Lions | Delhi | 2000 IST |
| Apr 28 | Mumbai Indians v Kolkata Knight Riders | Mumbai | 2000 IST |
| Apr 29 | Rising Pune Supergiants v Gujarat Lions | Pune | 2000 IST |
| Apr 30 | Delhi Daredevils v Kolkata Knight Riders | Delhi | 1600 IST |
| Apr 30 | Sunrisers Hyderabad vRoyal Challengers Bangalore | Hyderabad | 2000 IST |
| May 1 | Gujarat Lions v Kings XI Punjab | Rajkot | 1600 IST |
| May 1 | Rising Pune Supergiants v Mumbai Indians | Pune | 2000 IST |
| May 2 | Royal Challengers Bangalore v Kolkata Knight Riders | Bengaluru | 2000 IST |
| May 3 | Gujarat Lions v Delhi Daredevils | Rajkot | 2000 IST |
| May 4 | Kolkata Knight Riders v Kings XI Punjab | Kolkata | 2000 IST |
| May 5 | Delhi Daredevils v Rising Pune Supergiants | Delhi | 2000 IST |
| May 6 | Sunrisers Hyderabad v Gujarat Lions | Hyderabad | 2000 IST |
| May 7 | Royal Challengers Bangalore v Rising Pune Supergiants | Bengaluru | 1600 IST |
| May 7 | Kings XI Punjab v Delhi Daredevils | Nagpur | 2000 IST |
| May 8 | Mumbai Indians v Sunrisers Hyderabad | Mumbai | 1600 IST |
| May 8 | Kolkata Knight Riders v Gujarat Lions | Kolkata | 2000 IST |
| May 9 | Kings XI Punjab v Royal Challengers Bangalore | Nagpur | 2000 IST |
| May 10 | Rising Pune Supergiants v Sunrisers Hyderabad | Pune | 2000 IST |
| May 11 | Royal Challengers Bangalore v Mumbai Indians | Bengaluru | 2000 IST |
| May 12 | Sunrisers Hyderabad v Delhi Daredevils | Hyderabad | 2000 IST |
| May 13 | Mumbai Indians v Kings XI Punjab | Mumbai | 2000 IST |
| May 14 | Royal Challengers Bangalore v Gujarat Lions | Bengaluru | 1600 IST |
| May 14 | Kolkata Knight Riders v Rising Pune Supergiants | Kolkata | 2000 IST |
| May 15 | Mumbai Indians v Delhi Daredevils | Mumbai | 1600 IST |
| May 15 | Kings XI Punjab v Sunrisers Hyderabad | Nagpur | 2000 IST |
| May 16 | Kolkata Knight Riders vRoyal Challengers Bangalore | Kolkata | 2000 IST |
| May 17 | Rising Pune Supergiants v Delhi Daredevils | Pune | 2000 IST |
| May 18 | Royal Challengers Bangalore v Kings XI Punjab | Bengaluru | 2000 IST |
| May 19 | Gujarat Lions v Kolkata Knight Riders | Rajkot/Kanpur | 2000 IST |
| May 20 | Delhi Daredevils v Sunrisers Hyderabad | Raipur | 2000 IST |
| May 21 | Rising Pune Supergiants v Kings XI Punjab | Pune | 1600 IST |
| May 21 | Gujarat Lions v Mumbai Indians | Rajkot/Kanpur | 2000 IST |
| May 22 | Kolkata Knight Riders v Sunrisers Hyderabad | Kolkata | 1600 IST |
| May 22 | Delhi Daredevils v Royal Challengers Bangalore | Raipur | 2000 IST |
| May 24 | Qualifier 1 | Bengaluru | 2000 IST |
| May 25 | Eliminator | Pune | 2000 IST |
| May 27 | Qualifier 2 | Pune | 2000 IST |
| **May 29** | **FINAL** | **Mumbai** | **2000 IST** |

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*